# সনাখ্যয়া ইবোতোম্বী হাওরোকচমগী ‘ তুমিন লৈয়ু, ব্রায়েল চথরি’



শুমাং লীলা কাউন্সিল অমদি ষ্টুদেন্ট ওফ ওজা সনাখ্যয়া ইবোতোম্বী হাওরোকচমনা পূন্না শীন্দুনা ২০১৯ গী সেপ্তেম্বর তাং ৫ দগী ওক্টোবরগী তাং ৫ ফাওবা থাবুম অমা চুপ্পা চৎখরকখিবা ‘ সনাখ্যয়া ইবোতোম্বী হাওরোকচমগী মপোক কুমওন নীংশিং থৌরম লোয়শিনবগী থৌরম অমা ওক্টোবরগী তাং ৫ থাংজা নুমিৎতা ইম্ফালগী জব্রাহরাল নেহরু দান্স একাদেমিগী ওডিটোরিয়মদা ওজা অসিগী ‘ তুমিন লৈয়ু ব্রায়েল চথরি’ হায়রিবা লীলা অমা উৎতুনা লোয়শিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা লেমজনিঙাই ওইরবা পদ্মশ্রী নচিংবা এব্রার্দ কয়া ফঙখ্রবা অইবা ভিজয় তেন্দুকরনা ইবা “ সানতাতা কোর্ট চাল্লু অহে” হায়রিবা মরাথি লোনগী লীলা অসিদগী ইংলিশ, হিন্দী নচিংবা লোল কয়াদা শান্নখ্রবগুম মণিপুরি লোলদা “তুমিন লৈয়ু ব্রায়েল চথরি” হায়না মিংথোন্দুনা ওজা সনাখ্যয়া ইবোতোম্বী হাওরোকচমনা দিজাইন অমদি ডাইরেক্সন পীদুনা মতম অদুগী মীয়ামদা কাওঙমদবা মহাও অমা পীখিবা লীলা অমা ওইরি।

মেল চাওভিনিজম ব্রাখল্লোন অমদি নুপীবু নমথদুনা থমনিংবনা সমাজগী চৎনবী তুহৎপীরবা মিদল ক্লাসতা হিংলিবা নুপী অমগী থম্মোয়গী পাউদম ওইরিবা দ্রমা অমনি।

ঐচ রাজেস

অঙকপগী মশক ওইরবা সমাজগী ফিভম অসিদা ! অখঙবনি, অহৈবনি, লুচিঙবনি হায়না লৈরিবা মীওইশিংনা ফাওবা সমাজগী অশোয়বশি কদায়দনো, লানলিবনা কনানো হায়না খক থিদে। মখোয়না মীওইবগী ওইরিবা ফিঙমদু খঙন্নবা হোৎনবা অমদি অশোনববু শৌগৎপীবগী মহুৎ অশোনবা মীবু মিমাংদা চিং থোক্তুনা খোঙগোয়নরগা নুংঙাইজবদু লীলা অসিনা ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনবদা মায় পাক্লবা লীলা অমনি।

লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা ওজা অসিনা হীংলিঙৈ মতমদা উৎখ্রবা লীলা অসিগী মতমদুগী শক্তম অদুমক য়ারিবা নিঙোম্বম রাজেন মৈতৈ– লাইওইখ্রবা ওজানা শীজিন্নখিবা খূদিং কাইদনবা হোৎন্দুনা উৎপনি হায়খি।

মরাথি, হিন্দী নচিংবা মান্নদবা লোন কয়াদা শান্নখ্রবা ভিজয় তেন্দুকরনা ইবা লীলা অসি মণিপুরীদা ট্রান্সলেট তৌদুনা, দিজাইন এন্দ ডাইরেক্টর তৌদুনা খূদোল তমখিবা মতমদা তোপ–তোপ্পা মহাও অমা পীবা ঙমখি।



মতম অদুদা ষ্টূদিওদা উৎখিবা লীলা অদুগা ঙসিগী প্রোশিনিয়মগী অচৌবা ষ্টেজ অসিগা খরা খেৎনবনা খুদোং চাদবা খরাদি মাইয়োক্লখি হায়না ফোঙদোরক্লি। কলাগী হায়মনবা থোক্ত্রবা শাক্লাইরবা ওজা সনাখ্যয়া ইবোতোম্বী হাওরোকচম ওজা অসিনা মণিপুরীদা ট্রান্সলেট তৌদুনা মীয়ামদা খূদোল তল্লম্মি।

এ ভি এ এন্দ টি জি আর এ দি এ ( এভান্ট গ্রেদ) কী মখাদা এন টি এস লীংখৎতুনা লম অসিদা খোঙদানিংবা মীওই কয়াদা লম্বী পীবিখি। লোয়ননা এন টি এস তগগী পুথোরকপা আষ্টিসশিংগীদমক রেপতোরি অমা লীংখৎতুনা প্লে কয়া পানখৎতুনা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

টুরিষ্ট দিতিনিসন অমা ওইরিবা মণিপুরদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা মান্নদবা কলচরেল শোশিং উবা ফঙগদবা মফম অমগী মঙলান অমা মঙফাওন্নবগী পান দমদা নুমিৎ খুদিং লীলা অমমম উৎপা ঙম্নবা হোৎনখি। লোয়ননা মতম শাংনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা মতম শাংনা নুমিৎ খুদিং প্লে অমমম মীয়ামদা খুদোল তমদুনা লমদম অসিদা থিয়েটরগী ইহৌ অমা মায় পাক্লা শাগৎখি।

অসিঙুম্নবা শক্লাইরবা ওজা অসিগী মঙলান অসিবু এ ওজা অসিগা হকথেংনবনা লোয়নহৌবা ছাত্রশিংনা মঙফাওন্নবা লেপ্পা লৈত্তনা হোৎনরি।

‘ তুমিন লৈয়ু ব্রায়েল চথরি’ হায়রিবা লীলা অসিদা মরুওইবা শক্তম লাঙলিবশিংদি– মোইরাং থেম রতনকুমার সিংহ ( মিষ্টর কাশিকার), ফিরোজ অঙোম ( মিষ্টর কারনিক) ওইনাম প্রাফুলোচন্দ্র ( মিষ্টর পোঙখে), হাওরোঙবম মাইপাকসনা ( মিষ্টর সুখাটনি), ব্রারেপম সঙ্কর ( রোখের), থৌদাম ভুমেসব্রার সিংহ ( সামান্ত), তোইজম সান্তি দেবী( বেনরে), সোরোখাইবম শুশিলা দেবী ( শ্রীমতী কাশিকার) নি।

বেক স্কিনদা লৈদুনা মথৌ পাঙথোকখিবশিংদি লাইটতা জি চাওবিসনা শর্ম্মা, ম্যূজিকতা রিঙো, কষ্টমনা ও প্রাফুলোচন্দ্র সিংহ, মেক অপ এন্দ প্রোপেটরীনা কে ঐচ রতননি, প্রদক্সন ইন চার্জনা ডা. এস শুশিলা দেবী, এসিষ্টেন্ট বাইনা ডা. অধিকারিময়ুম রধামানবী দেবী, দিজাইন এন্দ ডাইরেক্সননা সনাখ্যয়া ইবোতোম্বী হাওরোকচমনি। অন্দর দি গায়দেন্স ওফ নিংঙোম্বম রাজেন মৈতৈনি।




## মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE,: SCENERY*
**A. Sanatombi Chanu**
Class: I,
Sec : B,
Roll No- 49
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: FISH*
Angel Jaiswal
Class: II,
Sec : B,
Roll No- 21
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN









*TITLE,: FRUIT*
**Jedida Doungel**
Class: IX,
Sec : A,
Roll No- 34
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



*TITLE,: BALL*
L. Sananu Devi
Class: I,
Sec : A,
Roll No- 30
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: ROSE*
**Langanglu Pamei**
Class: III,
Sec : B,
Roll No- 8
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN







*TITLE,: SISTER AND BROTHER*
**Nidhi Guruaribam**
Class: Ix,
Sec : A,
Roll No- 49
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



*TITLE,: ICECREAM VAN*
**Purnachandra**
Class: I,
Sec : B,
Roll No- 20
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN







*TITLE,: HOUSE*
**Sanathoiba**
Class: I,
Sec : A,
Roll No- 6
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



*TITLE,: FRUITS*
**Arham Jain**
Class : IV
Sec : B
Roll No- 2
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: CAW BOY*
**Bosnia Elangbam**
Class : IV
Sec : B
Roll No- 6
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SCENERY*
**Gutduc Rich Golmei**
Class: IV
Sec : A,
Roll No- 31
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE : CLIMBING THE HILLS*
**Hamon Lanchangbi**
Class: IV
Sec : A
Roll No- 11
School:UNACCO SCHOOL, MEITRAM







*TITLE,: DOLL HOUSE*
*VRITIKA SOIBAM*
Class: III
Sec : B,
Roll No- 14
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



*TITLE,: SCENERY*
**Yuvraj Sougrakpam**
Class: I,
Sec : A,
Roll No- 37
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






*TITLE,: DRAWING SET*
**Zhingdeikim Singsit**
Class: IX,
Sec : A,
Roll No- 25
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: SCENERY*
**H. Lanchenbi**
Class: IV,
Sec : Crust,
School:HRITAGE CONVENT



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*